# ঈ এস য়ুনা এন ৱাই টি ঐচ সী মায়থীবা পীদুনা সেনিয়র ৱিমেন'স লীগকী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশ-নগী মিৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথুরকখিবা তরুনকুমার খুরাইজম সেনিয়র ৱিমেন'স ফুটবোল লীগ ২০১৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) ৱাংখৈনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

লমদমসিগী মমিং লৈরবা ফুটবোল টিম অমা ওইরিবা ঈ এস য়ু ৱাংখৈ অমসুং এন ৱাই টি ঐচ সী ওক্রম চুথেক অনীনা শরুক য়াদুনা হৌখিবা নবেম্বর ২৭ তগী চথুরকখিবা সেনিয়র ৱিমেন'স ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা মেচ অদুদা ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা এন ৱাই টি ঐচ সী ওক্রম চুথেক গোল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা লেমজনিংঙাই ওইরবা ফুটবোল লীগ অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

টিম অনী অসিনা দবল লেগ শান্নখিবদা মেচ অনীমক ঈ এস য়ুনা মায় পাক্তুনা লীগ অসিগী ট্রোফিগী মপু ওইবা ঙমখি। লীগ অসিগী হৌদোকপা নুমিৎ থা অসিগী ২৭ তা টিম অনী অসিনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবদা ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা এন ৱাই টি ঐচ সী ওক্রম চুথেক গোল ১২-০ দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী ৱিন্নর ওইনবগী লম্বী নক্না লৈখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা ঈ এস য়ু ৱাংখৈ অমসুং এন ৱাই টি ঐচ সী ওক্রম চুথেক অনীগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্নরবা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি।

মেচ অদুদা এন ৱাই টি ঐচ সী ওক্রম চুথেক্না গোল মার্জিন ১২ দগী হেন্না মায় পাকপা ঙম্লগদি চথুরিবা লীগ অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমগদৌরিবনি। মরম অদুনা অহানবা মেচতা য়াম্না লাকচনা মায়থীহৌরবা এন ৱাই টি ঐচ সী ওক্রম চুথেক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না চেকশিন্না অমসুং কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা ঙসিগী মেচ অদুদা হান্নগী মেচ অদুদগী য়াম্না পার্ফোমেন্স হেন্না শান্নখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ঈ এস য়ু ৱাংখৈগী মমিং লৈরবা ইন্টরনেসনল প্লেয়র কসমিনানা মেচকী ১৬ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা টিমদুগী মায় পাক্লবগী লম্বী শেমখি।

ঈ এস য়ুনা মেচ অদুগী অঙনবা শরুক্তা গোল একাউন্ট হাংদোকখ্রবা মতুং গোল শোথরিবা এন ৱাই টি ঐচ সী ওক্রম চুথেক্কী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নখি।

এন ৱাই টি ঐচ সীগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা ফনা কন্না শান্নরবসু মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা ঈ এস য়ুগী মখূৎতা গোল অমা শোথনা লৈখি।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না চেকশিন্না অমসুং হৈশিংবা মান্ননা শান্নরক্তুনা অমনা অমগী মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং চথনখি। গোল মাঙজিল থারিবা ঈ এস য়ু ৱাংখৈগী এম মন্দাকিনিনা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৫১ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ২ শুদুনা মেচ মায় পাকখি।

# জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ ঃ
মথং থাগী ১১ দগী ১৭ ফাওবা কর্ণাটাকাগী উদুপিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪১ শুবা জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয় অমসুং ওফিসিএলশিং খনখ্রে।

মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএশন্না জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক্তা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় ১৫ অমসুং ওফিসিএল অনী পূন্না ১৭ খনখি।

খল্লবা শান্নরোয়শিংদি বিদ্যাসাগর সলাম, পুন্সিবা য়েংখোম, মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাং, কে দিঙ্কু, কে ঐচ মঞ্জিৎ, এম নিকি, আই রোসভেল, ও এমসন, ঐচ সুসিলকুমার, কেলভিন ফৈরোইজমনি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা কে এস ঐচ মহেশ্বরি, কে প্রিয়া, কে এস ঐচ রোসমি, অঙ্গিতা নাওরেম অমসুং এন পুর্নিমানি। লোয়ননা মণিপুর জুনিয়র বেদমিন্টন টিম অসিগী ওফিসিএল ওইনা এম রোমেস লুৱাং অমসুং কে রবিসঙ্কর খল্লে হায়না মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএশনগী সেক্রেটরি ইন চার্জ ঐচ সঞ্জিবনা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয়শিংনা মমাঙদগী য়াম্না হেন্না ফজনা পার্ফোমেন্স পীরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি।

ইন্দিয়াগী অন্দর-১৫ গী নম্বর ৱান ওইরিবা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংসু চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী টিমদা শরুক য়ারিবনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা ইভেন্ট খরদি শুংশোয় শোয়দনা ৱিন্নর অমদি রন্নর তারকপা ঙমগনি।

অমরোমদা টাটা ওপন ইন্দিয়া ইন্টরনেসনল চেলেঞ্জ ২০১৬ হয়েংদগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দ চথবা হৌরগনি। ইন্টরনেসনল চেলেঞ্জ অসিগী মেইন দ্রোনা দিসেম্বর ১ অমসুং ২ দা পাঙথোক্কনি। মেন'স সিঙ্গলস, ৱিমেন'স সিঙ্গলস, মেন'স দবলস, ৱিমেন দবল'স অমসুং মিক্স দবলসকী সেমী ফাইনেল খুদিংমক দিসেম্বর৩ দা পাঙথোক্কনি। দিসেম্বর ৪ দনা হায়রিবা ইভেন্টশিং অসিগী ফাইনেল খুদিংমক পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা টাটা ওপন ইন্দিয়া ইন্টরনেসনল চেলেঞ্জ অসিগীদমক্তা বিমল কুমারনা ওর্গেনাইজিং কম্মিটিগী ভাইস চ্যেরমেন ওইরি। এস এ সেটিনা ওর্গেনাইজিং সেক্রেটরি, কম্পিটিসন মেনেজরনা গিরিস নাতু অদুগা চেলেঞ্জ অসিগী দেপ্যুটি রেফ্রিনা হোদাম গ্যানেশ্বরনা ওইরি।



# অভিনাব বিন্দ্রনা গ্রাসরুটতগী হৌনা শান্নরোয়শিংবু শেমগৎতুনা ওলেম্পিয়ন কয়া পুথোকপা পাম্লি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২৯ ঃ
ওলেম্পিক গোল্ড মেদলিষ্ট অভিনাব বিন্দ্রনা ৱর্ল্ড অমদি ওলেম্পিক চেম্পিয়ন কয়া পুথোক্লবগীদমক গ্রাসরুটতগী হৌনা শান্নরোয়শিংবু সাইন্টিফিক ট্রেনিং পীদুনা শেমগৎপা পাম্লি।

শক্লাইরবা শুটর অভিনাব বিন্দ্রনা মরী লৈনবা মীওইশিংগা উনদুনা ৱর্ল্ড অমদি ওলেম্পিক চেম্পিয়নশিং পুথোক্লবগী মতাংদা কূপ্না খন্নখ্রে হায়রি।

শান্নরোয়শিংনা ওলেম্পিক য়ৌরক্লবা হোৎনবদা য়াম্না চহী নৌরিঙৈদগী হৌনা মতমগা চুনবা সাইন্টিফিক ট্রেনিং কয়া পীবা মথৌ তাই। লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী লুরিবদি শান্নরোয় অয়াম্বা গ্রাসরুট প্রোগ্রাম ৱাৎপা অসিনা ঐখোয়গী খ্বাইদগী চাওবা অশোয়বা অমা ওইরি।

গ্রাসরুট প্রোগ্রামশিং শান্নরোয়শিংদা নিংথিনা ফংহন্দুনা শান্নরোয় অমদা চঙগদবা মচাকশিং ফংহনবা, লৌশিং অমদি ট্রেনিংনচিংবা মতমগা চান্ননা নিংথিনা পীরবদি অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমগনি। কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্তা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা শুটর অভিনাব বিন্দ্রনা স্পোর্টসতা সাইন্টিফিক ট্রেনিংগী মতাংদা কান্নবশিং পল্লদুনা মহাক্না হায়, স্পোর্টসতা ইন্দিয়া অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা য়াম্না শোথনা লৈরি।

লৈবাক অসিদা কোচ মরাং কায়না লৈ অদুবু হেন্না অফবা শান্নরোয় পুথোক্কে হায়রবদি হায়রিবা কোচশিং অসিদা হেন্না শক্তি পীদুনা অমদি এক্সপোজর ফংহনবগী তঙাইফদবা লৈ। শুটিং মশান্নদসু ইন্দিয়াদা কোচকী মশীং য়াম্না ৱাৎলি। হৌজিক লৈরিবা শুটিংগী কোচশিংদা মতমগা চুনবা টেক্নিক কয়া ফংহনবা তাই।

কোচশিংদা হৌজিক্তি স্পোর্টস সাইন্স অমদি স্পোর্টস মেদিসিনগী মতাংদসু নিংথিনা খঙহনবগী মথৌ তারি। চান্দিগরদা হন্দক্তা হাংদোকখিবা ট্রেনিং একাদেমি অদুগী মতাংদা অভিনাব বিন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা একাদেমি অসিদা এথলেট পূম্নমক্না শান্নবদা অথিংবা লৈতে হায়খি।



# ৱর্ল্ড বোদি বিল্ডিং অমসুং ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুগদবশিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ ঃ
থাইলেন্দগী পটয়া সিটিদা ঙসিদগী হৌদুনা চথবা হৌখ্রবা ৮ শুবা ৱর্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয়শিং ঙসি অয়ূক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ইন্দিয়ন টিমদা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয়শিং অদু ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফ্যের এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট অমসুং এসোসিএশন অসিগী ওফিসিএলশিংনা ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী য়াইফ মঙ্গলগা লোয়ননা লমথাখি।

ৱর্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা মেদল শুংশোয় শোয়দনা লৌরক্কনি । দিসেম্বর ৫ ফাওবা চথগদৌরিবা ৱর্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়ন টিমদা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিংদি নুপাগী জুনিয়রদা ইফম এম দি ৱাসমির খান, নেপ্রম রাকেস, নুপীগী বোদি বিল্ডিংদা থিংবাইজম সরিতা, থাংজম লৈমা চনু অমসুং কে রেবিতানি। নুপাগী সেনিয়রগী কাঙলুপ্তা রোবার্ট মীতৈ, নিংথৌজম সুরজ অমসুং শৌগ্রাকপম বুংচানি।

নীংশিংবা য়াই, ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা শান্নরোয়শিং অসি থোইদোক হেন্দোক্লা লমদমসিগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় ঙাক্তনি। শৌগ্রাকপম বুংচা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা সেনিয়র মিষ্টর মণিপুর খন্বগী ওভর ওল লৌখ্রবা শান্নরোয়নি।

## কুংফুগী ট্রাইএল পাঙথোক্লগনি


ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ ঃ উত্তর প্রদেশকী কোনুং লক্ষনৌদা লৈবা কে দি সিংহ বাবু ষ্টেদিয়মগী মল্টিপর্পজ হোলদা দিসেম্বর ২৭ তগী ৩০ ফাওবা নেসনল কুংফু চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুর কুংফু টিম শরুক য়ারুনবগীদমক শান্নরোয়শিং খন্নবগী ট্রাইএল সেলেক্সন অমা দিসেম্বর ৪ গী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি। শরুক য়ানিংবা কুংফু শান্নরোয়শিং অমদি মার্সেল আর্টসকী শান্নরোয়শিংনা হায়রিবা ট্রাইএল অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়না ওল মণিপুর কুংফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়ন্না খঙহল্লক্লি।




HL-B/3447/4-30,1-30 nov. (alt)



Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 9435246580
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.
HL-B/3457/11/11-13/12





Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com